**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদসু নেসন ফাৰ্ষ্ট এদ ৭৫ কেম্পেন ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোক্কনি।

২) রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংম নিনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবা অমদি ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ুনিভর্সিতি, কোলেজ অমসুং সরকারগী, এদেদ অমসুং নন-এদেদ লোয়ননা লন্নাইগী স্কুল খুদিংমক ঙসিসু মখা তানা ছুটি লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৩) কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতি গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু চাওখৎপা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা মীয়ামা পুনশিন্দুনা থবক তৌবগী হৈনবী থন্বা তঙাইফদে।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরদসু নেসন ফাৰ্ষ্ট এদ ৭৫ কেম্পেন ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হৌদোক্কনি। রাজ্য সরকারগী প্লান্নিং বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা কেম্পেন অসিগী লোয়ননা গোভ কন্নেক্ট মণিপুর, মণিপুর মিল্ক য়ুনিয়ন মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং, মাইগ্রেসন সপ্পোর্ট সেন্তর, কেবিন ক্রুগী রেসিদেন্সিয়েল স্কিল দিলভপমেন্ট প্রোগ্রাম অমসুং ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী ফোর সার্ভিসেস অমসুং পোর্তেলসু

রাজ্যপালনা হৌদোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল, নেসনেল দেরি দিভলপমেন্ট বোর্দকী চেয়ারমেন অমসুং তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি মোদিনা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা চয়োল অমা চুপা চখ্থগদবা সেবা সপ্তাহ্ লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি। মালেমদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু রাজনীতিগী লমদা থোইদোক হেন্দোকা অহোংবা কয়া পুরকপা লুচিংবা অমা ওইনা উন্নরক্লি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইনা মীয়ামা মহাকপু ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী রাজনীতিগী খোঙচৎ অসি খঙনিংলি। লুচিংবা অমা ওইনা ভারতকী সাসনদা মহাকা লৌরিবা থৌদাং অমদি মালেমগী লৈবাকশিং অমসুং ভারত্তা সরকার অসিনা পুরক্লিবা অহোংবা কয়াগী মতাংদা শকাইরবা মীওই কয়ানা শ্রী মোদিবু থাগৎনরক্লি। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিদা থোইদোক হেন্দোকনা শকখঙলবা মীওই কয়ানা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মতাংদা ৱাফম কয়া থল্লক্লি। ওন্তরপ্রেন্যুর অমা ওইনা টি.ভি. মোহনদাস পাইনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা পুরক্লিবা অহোংবা কয়া শিংথাখি।

ছুটি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংম নিনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবা অমদি ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা য়ুনিভর্সিতি, কোলেজ অমসুং সরকারগী, এদেদ অমসুং নন-এদেদ লোয়ননা লন্নাইগী স্কুল খুদিংমক ঙসি ছুটি লাউথোকখ্রে।

রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইদ্যুকেসন(এস)না থোকপা চেরোল অমনা হায়-নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপা অমদি ঈশিং ঈচাউগী ওইরক্লিবা ফিভম লোয়ননা চীংগী জিলাশিংদা চাং নিংখাইবনচিংবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াবনা মরম ওইরগা ঙসি ছুটি লাউথোকখিবনি।

নোনে (এল)ঃ মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম মণিপুরগী নোনে জিলাগী মনুং চনবা লোংমাই পার্ট থ্রিগী টেন্ট মেকর একাদমিনা ৱার্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ সোসাইতিনা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হিরমনা চেঞ্জিংদা নেরেতিভ ওন সুইসাইদ হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডাঃ কচুগাইলিউ গোলমৈনা থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা খঙহন্নখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা এনজাইতি অমসুং দিপ্রেসন মতৌ করমা খঙদোক্কনি হায়বগী মতাংদা স্কুলগী ওজাশিংদা তাকখি।

জ্দো (এল)ঃ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা চথরকখিবা অহানবা দাইরেক্তর জেনেরেল অসাম রাইফলস (দি.জি.এ.আর) মণিপুর ষ্টেট জ্দো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ ঙরাং লোইশিনখ্রে। অসাম রাইফলসকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা মণিপুর জ্দো এসোসিয়েসনগা খুৎশমনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা চেম্পিয়নসিপ অদুদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ মরিদা পুন্না শান্নরোই ৩৫০ হেনবনা শরুক য়াখি। চেম্পিয়নসিপ অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট টিমগী থোকচোম প্রবেনদেবনা নুপাগী কাংলুপ্তা বেষ্ট জ্দোকা অমসুং নুপীগী কাংলুপ্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টিমগী হেলেন মোইরাংথেমনা বেষ্ট জ্দোকাগী মনা ফংখি। চেম্পিয়নসিপ অসিগী ৱিন্নরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট টিম অমসুং রন্নরসঅপনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টিমনা ওইখি।

চেম্পিয়নসিপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল, লেফটনেন্ট জেনেরেল বিকাশ লাখেরা, মণিপুর জ্দো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট বিজোয় কোইজম অমসুং নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর শ্যামশুন্দর শরুক য়াখি।

জিএসটি (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারনা থা অসিগী ২২ দগী চৎনবা হৌননবা অয়াবা পীখ্রবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মবু মাইকৈ কয়াদগী তরামা ওকপা অমদি থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

নিতিন ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতি গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিবু চাওখৎপা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপদা মীয়ামা পুনশিন্দুনা থবক তৌবগী হৈনবী থন্বা তঙাইফদে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সংঘনা মতম পুমমক্তা থৌশিল থৌরাং অমগী মখাদা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা চাওখৎপা খুনাই অমা ওইহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- মহৈরোই লুপ, লেবর য়ুনিয়ন অমসুং কোওপরেতিভকী মপাঙ্গল হেনগৎহনদুনা সংঘ অসিনা অহোংবা কয়া পুরক্লি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মধ্য প্রদেশতা চৎকনি। খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ধারদা স্বাচথনারি সাসক পরিবার অমসুং ৮ সুবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মাহ কেম্পেন হৌদোক্কনি। কেম্পেন অসি ওক্তোবর ২ ফাওবা লৈবাক অসিগী কম্যুনিতি হেলথ সেন্তর, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমসুং অতৈ সরকারগী অনা লায়েংশঙ পুমমক্তা পাঙথোক্কনি।

খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনবা য়াওনা কয়া অমনা শঙ্গাগনি।

অমিতঃ গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙরাং রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী এন্টি-নার্কোটিক্স টাক্স ফোর্স (এ.এন.টি.এফ) কী মকোকশিংগী অনিশুবা মীফম ন্যু দিল্লিদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী

এ.এন.টি.এফকী মকোক ৩৬, লম অসিদা থবক তৌরিবশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিং থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী তুরেলশিংগী ঈমাশিংগী ফিভম খুদোংথিনিঙাই ওইনা লৈবা, অমজগী ৫১ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবা অমসুং জেনিমসতা অমুক্কসু ঈশিং ঈচাউ থোকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা তুরেল ঈশিংগী ঈমায়গী ফিভম ফৎত্রি, খুদোংথিনিঙাই ওইরি, হরিলসু ইম্ফালসু হেনগৎলক্কি, থৌবালসু হন্থদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

জেনিমসকী অনাবশিং থংদোকখ্রে, পোরোমপাৎ ৱাটর সপ্লাইনা ঈশিং পীবা লেপখ্রে হায়না শঙাহ এক্সপ্রেস মণিপুরগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

সনালৈবাক্তা ঙসি অমসুং তুংগী মীরোলগী খনবা লুচিংবা ৱাৎপনা অৱাবা তাবনি হায়বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। অমজগী ৫১ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে। অথুবা মতমদা ইং তপ্পা পুরকবা অরানবা পাউ শন্দোক্লোইদবনি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি পোকফমদা অমজগী ৫১ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে, প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা হায়রম্বা ৱাফম লান্না উহনবসি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়বা এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎকী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা সিরা রাখোংগী মোরোক ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হান্নগী এম.পি. ডাঃ লোরহো এন.পি.পিদা য়াওখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, তমেংলোং টাইমস, গানফিউ মেল, চম অমসুং সনালৈবাক্তা অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

------